# আধার কার্দ পায়দে হায়বগীদমক কার্গিল মার্টরগী লোয়নবী লায়েংবিদবদগী শিখ্রে







ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী):

কার্গিলগী লানফমদা থৱায় থাখ্রবা লান্মী অমগী লোয়নবীবু আধার কার্দ পায়দে হায়বগীদমক লায়েংবীদবনা মরম ওইরগা শিখিবগী মতাংদা মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখ্রে।

অসিগুম্বা থৌওং অসিনা আর্ম ফোর্সেসতা লৈরিবা লান্মী অমসুং ওফিসারশিংগী পূক্নিং শোকহল্লে হায়না পল্লদুনা কার্গিল মার্টর বিজয়ন্ত থাপরগী অপোকপা ভী এন থাপরনা হায়খি, ইচম চম্না আধার কার্দ পায়দে হায়বগীদমক কার্গিলগী লানফমদা লৈবাক্কীদমক থৱায় থাখ্রবা লান্মী অমগী লোয়নবীবু লায়েংবীদবা হায়বসি অচুম্বা থৌওং নত্তে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন অমা চত্থদুনা মরাল লৈবা মীওইশিং মশক খঙদোক্লবা হোৎনরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মতুংদা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোক থোকহন্দনবগী মতাংদা সেন্টরনা ক্লিনিকেল ইষ্টাব্লিশমেন্ট এক্ট চৎনহন্নবা ষ্টেট খূদিংমক্তা পাউতাক পীখ্রে হায়না মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হেল্থ অশ্বিনিকুমার চুবেনা ফোঙদোকখি।

কার্গিলগী লানফমদা থৱায় থাখ্রবা লান্মী অমগী লোয়নবীবু অরুবা ফীভমদা হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি। হোস্পিটালগী ওথোরিটিশিংনা অনাবা নুপী অদুগী আধার কার্দ পুথোরক্লবা খঙহল্লকখি। মচানুপানা আধারগী ঈ-কোপি পুথোক্তুনা উৎলবা ফাওবা ওরিজিনেল কার্দ পুথোরক্কদবনি হায়না তকশিল্লকখি। অরুবা ফীভমদা পুখৎলকপা মরম্না লায়েংবগী থৌরাং হান্না লৌখৎলবা মতুংদা পুংজা খরগী মতুংদা আধার কার্দ শোয়দনা পুরক্কে হায়না মচানুপানা হঞ্জিন হঞ্জিন হায়রবা ফাওবা হোস্পিটালগী ওথোরিটিনা তাবিখিদে।

আধার কার্দ পায়দে হায়বগীদমক মরুওইবা ইনফোর্মেসন পীয়ু য়াদবা হায়বসি রাইট টু ইনফোর্মেসন (আর টি আই) এক্টকী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি হায়না সেন্ট্রেল ইনফোর্মেসন কম্মিসন (সী আই সী)না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

হাউজিং এন্দ অর্বান দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন (ঐচ য়ু দি সী ও)গী ওফিসার অমবু আর টি আইগী মায়োক্তা লৈবা থৌওং চৎখে হায়বগীদমক কম্মিসন্না চৈরাক পীনবা খঙহনখি। বিশ্বাস ভাস্করকর কৌবা মীওই অমনা আর টি আইগী খুত্থাংদা হংলকখিবা ৱাহং অমা আধার কার্দ য়াওদে হায়বগীদমক মতিক চাবা পাউখুম পীখিদবগীদমক কম্মিসন্না কেস অমা লৌখৎখিবনি।

মরকসিদা, চহী য়ামশিল্লক্লবা মীওই কয়া মশাগী বাইওমেট্রিক দেটাগা হান্নগী রেকোর্দকা চান্নদে হায়বগীদমক ফংফম থোকপা পেন্সনগী শেনফম ফংহন্দ্রে হায়না লোক সভাদা পুখৎখিবনি। আধার কার্দনা মরম ওইরগা শিবগী মতম নকশিল্লক্লবা অহলশিংগী ফংফম থোকপা পেন্সন ফংহন্দবা হায়বসি তরাইনা লৌফম থোক্তে হায়না এম পি সুশিল কুমারনা ফোঙদোকখি।

# মেদিকেল কাউন্সীল ওফ ইন্দিয়াগী মহুৎ শিনবা কম্মিসন লিংনবা বিল পুথোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী):

মেদিকেল গ্রেজুয়েটশিংনা মেদিসিন প্রেক্টিস তৌদ্রিঙৈদা এগজাম অমা পাস তৌহনবগা লোয়ননা মেদিকেল কোলেজ অমদি ফীনচিংবা য়েংশিন্নবগী ৱাফম য়াওবা বিল অমা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা পার্লিয়া-মেন্টতা পুখৎখ্রে।

নেসনল মেদিকেল কম্মিসন বিল, ২০১৭কী মতুং ইন্না হৌজিক লৈরিবা মেদিকেল কাউন্সীল ওফ ইন্দিয়া (এম সী আই)গী মহুত্তা অনৌবা কম্মিসন অমা অমসুং বোর্দ মরি লিংখত্তুনা অন্দর গ্রেজুয়েট অমদি পোষ্ট গ্রেজুয়েট এদ্যুকেসন য়েংশিনবগা লোননা ইথিক্স অমদি রেজিষ্ট্রেসনগী থৌওং পূন্নমক য়েংশিনগদৌরি।

বিল অসিগী মতুং ইন্না নৌনা লিংখৎকদৌরিবা কম্মিসনদা চেয়রপার্সন অমা, এক্স-ওফিসিও মেম্বর ১২, পার্ট টাইম মেম্বর ১১ লোয়ননা লো, মেদিকেল ইথিক্স, অনাবশিংগী রাইট নৎত্রগা হেল্থ রিসার্চকী মরমদা খঙবা মীওই অহুম য়াওহনগদৌরি।

বিল অসিগী প্রোভিজনদা য়াওরিবা ৱারোল মতুং ইন্না এম বি বি এস দিগ্রী ফংলবা মীওই অমনা লায়েংবগী থৌরাং লৌখৎত্রিঙৈদা নেসনল লাইসেন্সিয়েট এগজামিনেসন অমা পাস তৌগদবনি। এগজাম অদু পাস তৌরবা মতুংদা এম দি অমদি এম এস দিগ্রীনচিংবা পোষ্ট গ্রেজুয়েট মেদিকেল কোর্সশিং তম্বা য়াহনগনি হায়রি।

হৌজিক চৎনরিবা এম সী আইগী রুল মতুং ইন্নদি এম বি বি এস গ্রেজুয়েট অমনা ষ্টেট মেদিকেল কাউন্সীল অমদা রেজিষ্টর তৌরগা অনা-লায়েংগী থবক লৌখৎপা য়াহল্লি। নৌনা লিংখৎকদৌরিবা কম্মিসন অসিনা প্রাইভেট মেদিকেল কোলেজশিংদা অপুনবা সিটকী চাদা ৪০গী ফী লেপথোক্ল বগী মতিক ময়াই পায়গদৌরি।

এসেসমেন্ট অমদি রেটিং বোর্দনা মেদিকেল কোলেজ পূন্নমক অন্দর গ্রেজুয়েট অমদি পোষ্ট গ্রেজুয়েট বোর্দনা পীবা গাইদ লাইন ঙাক্লা চৎলিব্রা হায়বদু য়েংশিনবগা লোয়ননা কাঙলোন ঙাক্লা চৎলমদবা ইন্সটিট্যুসনশিং ফাইন থীহনবগা লোয়ননা রেকগ্নিসন কক্কদৌরি।

হৌজিক হৌজিক প্রাইভেট মেদিকেল কোলেজ অমসুং ডোক্টর খরনা মেদিকেল ইথিক্সকী ৱাংমদা থবক তৌবগা লোয়ননা শেঞ্জা থুমজাগী থৌওং চৎখে হায়না মরাল শীরকখ্রবা মতুংদা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা অনৌবা বিল অসি পুথোরকখিবনি।

পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎখ্রবা বিল অদুবু ডোক্টর কাঙলূপ খরনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরল্লি।

লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা ডোক্টরশিংগী লূপ ওইরিবা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন্না হায়খি মদুদি, এম সী আই মুখৎপনা মেদিকেল এদ্যুকেসনদা চাউনা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই।

মতম শাংনা মেদিকেল কোর্স তমদুনা লাক্লবা মহৈরোয়শিংবু এগজাম পাস তৌরবা মতুংদা নৌনা অমুক এগজাম অমা থাহনবা হায়বসি অচুম্বা থৌওং নত্তে হায়না আই এম এনা ফোঙদোকখি।

# হর্দিক পতেলনা গুজরাটকী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর নিতিন পতেলবু কোংগ্রেসতা য়াওনবা খঙহনখ্রে





অহমেদবাদ, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী):

গুজরাটকী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইখ্রবা নিতিন পতেলনা মঙোন্দা পীরকখিবা পোর্টফোলিওশিংগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা পতিদার লূচিংবা হর্দিক পতেলনা হায়খি মদুদি, খুদক্তা নিতিন পতেলনা মিনিষ্টর ওইবা তোক্তুনা কোংগ্রেসতা য়াওগদবনি। করিগুম্বা গুজরাটকী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর নিতিন পতেলনা এম এল এ ১০গা লোয়ননা বি জে পিদগী থোরক্লগা কোংগ্রেসতা য়াওরকপা তারবদি ষ্টেট অসিগী ওইনা অফবা ওইগনি।

বি জে পিনা ঈকায় খুম্নবিদ্রবা পতেলনা মখা তানা ষ্টেট কেবীনেটতা লৈবগী মথৌ তাদে হায়না হর্দিক পতেলনা ফোঙদোকখি।

পাতিদার অনামট অন্দোলন সমিটি (পি এ এ এস)কী লীদর হর্দিক পতেলনা হায়খি মদুদি, বি জে পিনা মায় পাক্লে হায়দুনা মঙোন্দা নীংহন্নবা লৈরোই। মহাক্কী কেম্পেয়ন লেপ্তুনা চত্থখিগনি। মহাক পার্টি অমত্তগী নত্তে। মরম অদুনা মহাক্কী কেম্পেয়ন মখা চত্থখিগনি অমসুং দাদাগীরিগা লোয়ননা মখা তানা বি জে পিগা থেংনখিগনি।

দিভলপমেন্টকী ৱাফম অমসুং পার্টিগী পোলিটিকেল লীদরশিপকী লল্লোংনা মরম ওইরদুনা মীখলদুদা মায় পাক্লিবনি হায়বা বি জে পিগী ক্লেম অদু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

পতেলনা হায়খি, এসেমব্লি মীখলদুদা চনাক্য নিটি লৈখিদে। শুপ্পগী শেলগী পাৱর অমসুং ঈ ভী এম শেমদোকপনা বি জে পিনা গুজরাটতা মায় পাকখিবনি।

কোংগ্রেস অমসুং অতৈ পোলিটিকেল পার্টিশিংদা অমগা অমগা খুৎশম্নদুনা ঈ ভী এম শেমদোকপগী মায়োক্তা কেম্পেয়ন অমা হৌনবা তকশিনখি। ঈ ভী এমশিংদু লান্না থবক তৌরমদ্রবদি মীখলদুদা বি জে পি মায়থিরমগনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# কমলা মিলস মৈ চাকখ্রবা মতুংদা অয়াবা য়াওদনা শারম্বা বিল্ডিংশিং ব্রিহনমুম্বাই ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্না থুগাইখ্রে




মুম্বাই, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী):

কমলা মিলস কমপ্লেক্সতা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা মীওই ১৪ শিখ্রবা মতুংদা ব্রিহনমুম্বাই ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (বি এম সী)না মফম অদুদা অয়াবা য়াওদনা শাগৎলকখিবা বিল্ডিং অমদি ষ্ট্রকচর পূন্নমক শীদোকখ্রে।

পার্মিট পায়দনা য়ুম-কৈ শাজিল্লম্বা মীওই পূন্নমক বি এম সীগী ওফিসারশিংনা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎলগনি হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

বি এম সীগী ওফিসলশিং কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্লগা রঘুবন্সি মিলস অমদি পেনিন্সুলা বাই পাস পার্কনচিংবা মফমশিংদা অয়াবা য়াওদনা শাগৎলম্বা বিল্ডিংশিং শীদোকখি। কমলা মিলসতা মৈ চাক্তুনা মীওই ১৪ শিখিবগী মতাংদা মথৌ চেকশিন্দে হায়বগীদমক ওফিসার মঙা থবক্তা লৌথোকপা লৈখ্রবনি।

মুম্বাইগী কমলা মিলস মৈ চাকখিবদা মীওই ১৪ শিখিবগী মতাংদা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অৱাবা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনা প্রসিদেন্টনা হায়খি, মুম্বাইগী লাইবক থীবা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদা শরুক য়ারি। থৌদোক অদুদা অশোক-অপন নংলবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফীভম ফগৎলকপা ওইরসনু। ফায়র ফাইটরশিংনা মৈ কন্নবা হোৎনবদা শীংথানিংঙাই ওইবা থৌদাং লৌখিবগী-দমক্তসু মহাক্লা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিসনু মুম্বাইগী লাইবক থীবা থৌদোক অদুগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মুম্বাইগী কমলা মিলস মৈ চাকপগী থৌদোক্তা মীওই ১৪ শিখিবগী পাউ তাবদা হায়নিংঙাই লৈতনা অৱাবা পোকই হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মীওই ১৪ শিখিবা মুম্বাইগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা শিব সেনাগী এম পি অর্বিন্দ সাৱন্তনা ঙসি জুদিসল ইনক্বারি চত্থগদবনি হায়না তকশিনবা লৈখ্রবনি।

অখুবা লৈরক অমদা চঙলগা লৈবা কমলা মিলসতা কয়ারক হন্না চৎলুরে। মিল অদু মৈ চাকপগী পাউ তাবদা অৱাবা পোকই। থৌদোক অদু মতৌ করম্না থোকখিবগে হায়বা চপ চানা থিগৎপা মথৌ তাই হায়না রাজ্য সভাগী এম পি জয়া বচ্চননা ফোঙদোকখিবনি।

লৈখিদ্রবশিংগী হকচাংদা মৈ চাকখিবগী খুদম থেংনদে। মিল মৈ চাকখৎলকপদা কারকপা মৈখুনা মরম ওইরগা নিংশা হোনবা ঙমদবদগী লৈখিদবনি। থৌদোক অদুদা কমলা মিলসকী মথক্তা লৈবা রেষ্টুরেন্ট অমদা মপোক নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখিবা নুপী অমসু শিখিরমই হায়না পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# বাংলাদেশকী ঙমখৈ চেকশিন্না ঙাক্লবা বি এস এফতা খঙহনখ্রে



অগর্টালা, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী):

ত্রিপুরাদা লৈবা কিলোমিটর ৮৫৬ শাংবা ইন্দো-বাংলা বোর্দর চেকশিন্না ঙাক শেন্নবা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)তা খঙহনখ্রে।

মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লিগী ইলেক্সনগা মরী লৈননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা য়াথং অসি পীখিবনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসনগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

ঙমখৈদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী মতাংদা ত্রিপুরাগী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসার (সী ঈ ও) শ্রীরাম তরানিকান্তিনা বি এস এফকী মকোক থোংবা ওফিসলশিং উনদুনা মীফম অমা পাঙথোকখি।

হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অসিদা লৈরিবা বি এস এফ পার্সনেলশিংগী মথক্তা সেন্ট্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্সেস কয়াসু অথুবা মতমদা ষ্টেট অসিদা থুংলবগা লোয়ননা মীখলগী মতাংদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌরগনি হায়না সী ঈ ওনা ফোঙদোকখি।

ইন্টরনেসনল বোর্দর মনাক নক্লা লৈবা ষ্টেট মাপনগী ঙমখৈদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ শাগৎনবগীদমক হোম মিনিষ্ট্রিনা লুপা ক্রোর ১৬৭ কায়থবা লৈখ্রবনি।

অনৌবা থৌরাং অসিনা কান্নবা ফংহনগদৌরিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা রাজস্থান অমদি পঞ্জাব য়াওরি। ষ্টেট অনীমক পাকিষ্টানগা লোন্নবা ইন্টরনেসনল বোর্দর মনাক নক্লা লৈরি। বাংলাদেশকা লোন্নরিবা ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং অসামদসু সেন্টরগী শেন্থং অসিনা শেমগৎ শাগৎপগী থৌরাং কয়া লৌখৎকদৌরি হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবনি।


হোম মিনিষ্ট্রিনা হন্দক্তা মেঘালয়া, পঞ্জাব, রাজস্থান, বিহার, সিক্কিম, ত্রিপুরা, অসাম, হিমাচল প্রদেশ অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলদা বোর্দর এরিয়া দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম (বি এ দি পি)গী মখাদা লুপা ক্রোর ১৬৭ কায়থখ্রে হায়না ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট ১৭কী ইন্টরনেসনল বোর্দর মনাক নক্লা লৈবা খুঙ্গং পূন্নমক বি এ দি পিগী মখাদা মপুং ফানা শেমগৎ শাগৎলগনি হায়না ওফিসল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

বি এ দি পিগী মখাদা পায়খৎকদৌরিবা থৌরাংশিংগী মনুংদা ক্লিনলিনেস মিসন, স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম, স্পোর্টস এক্টিভিটিজ, রুরেল টুরিজম, বোর্দর টুরিজম অমসুং হেরিটেজ সাইট ঙাক শেনবা য়াওরি।

চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা হেলিপেদ শেমগৎপা, লৌমীশিংদা স্কিল দিভলপমেন্ট ট্রেনিং পীবা অমদি অতৈ থৌরাং কয়াসু লৌখৎকদৌরি।

# সাউদি অরাবিয়াদগী হল্লকপা ঙমদনা লৈরিবা ইন্দিয়ন অমনা এক্সটর্নেল এফেয়ার্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজগী মতেং নীরকখ্রে





ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী):

হৌখিবা থা ৬ লোম সাউদি অরাবিয়াদগী হল্লকপা ঙমদনা লৈরিবী কুলদিপ কোর কৌবী নুপী অমনা এক্সটর্নেল এফেয়ার্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজগী মতেং নীরকখ্রে।

কোরগী ইমুং-মনুংনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না সাউদি অরাবিয়াদা লৈরিবা কুলদিপপু মীওই খরনা তমথিনা ওৎ-নৈবগা লোয়ননা ইন্দিয়াদা হল্লক্লবগী খুদোংচাবা ফংহন্দ্রে হায়রি।

মশাগী চহী ৪৬ শুরবী কুলদিপ কোরনা সাউদি অরাবিয়াগী মফম কয়াদা মীঙোলদগী শেল নীবগী ভীদিও ফুটেজ অমা থাদোরকখি। মিনিট ২ শাংবা ভীদিও অদুদা কুলদিপপু ট্রেবেল এজেন্ট অমনা থবক তৌহনগনি হায়না সাউদি অরাবিয়াদা পুখিবনি হায়বা ৱাফম য়াওখি।

কুলদিপনা ভীদিওগী খুত্থাংদা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না মহাকপু নুমিৎ খূদিংগী অয়ুক পুং ৬তগী হৌরগা নুমিদাং পুং ১০ ফাওবা লেপ্তুনা থবক শুহল্লি অমসুং নোংমতা মবুক থন্না চাক পীজদে হায়রি।

পাকিষ্টান্দা হৌখিবা চহী ২১ লৈরকখ্রবী মহমদি বেগম কৌবী হায়দ্রবাদকী নুপী অমা ইন্দিয়াদা হল্লক্লবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়না এক্সটর্নেল এফেয়ার্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মহমদি বেগমসু ভারত ইমাগী মচানি। ভিজাগী মতাংদবু ওইরবসু নৎত্রগা টিকেট ককপগী মতাংদবু ওইরবসু অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংদুনা হায়দ্রবাদকী নুপী অসি ময়ুমদা শোয়দনা হল্লকহন্নবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

হন্দক্তা হায়দ্রবাদকী মীওই অমনা মহমদি বেগমবু তেক্তা কায়দনা ইন্দিয়াদা হল্লকপা য়াহনবীয়ু হায়না সেন্টর অমদি এক্সটর্নেল এফেয়ার্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজদা হায়জবা লৈখ্রবনি।

# রাজ্য সভাদা ট্রিপল টলাক্কী বিল তরাই তরাই পাস তৌবা ঙম্লোইদৌরি



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী):

বি জে পিনা লূচিংবা এন দি এনা মেজোরিটি ওইবা লোক সভাদা ট্রিপল টলাক থিংনবগী বিল পাস তৌখিবা তারবসু ওপোজিসন্না মশীং য়াল্লিবা রাজ্য সভাদদি বিল অসি তরাই তরাইনা পাস তৌবা ঙম্লোইদৌরি।

লোক সভাদা বি জে পিনা লূচিংবা লৈঙাক্লা মেজোরিটি ওইবা মরম্না হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা দি মুস্লিম ৱিমন (প্রোটেক্সন ওফ রাইটস ওন মেরিয়েজ) বিল, ২০১৭ পুথোরকপগা খুদক্তা পাস তৌখিবনি।

সোর্হ অমগী মতুং ইন্না অনৌবা চহী হৌরকপগী পার্লিয়ামেন্ট মীফম পাঙথোকপা মতমদা বিল অসি জন্যুৱারী ২দা পুথোক্লবা থৌরাং তৌরি। রিজনেল পার্টি অমদি লেফট ফ্রন্টকী মেম্বর ৭৫না কোংগ্রেসকী মায়কৈদা লেপ্তুনা বিল অসি পাস তৌদ্রিঙৈদা সেলেক্ট কম্মিটি অমদা হান্না য়েংশিনহনগদবনি হায়না তকশিনগদৌরি।

বি জে পি নত্তনা অতোপ্পা পার্টিগী মেম্বর ১৫খক এন দি এগী মায়কৈদা লেপ্লিবা মরম্না রাজ্য সভাদা বিল অসি পাস তৌবা ঙমগনি হায়বা থাজনদ্রি।

কোংগ্রেসনা বিল অসিদা খ্বাইদগী মরুওইনা য়ানিংদ্রিবা ৱাফমদি জেলদা থম্বা অমসুং মেন্তিনেন্সকী ৱাফম য়াওবা ক্লোজ অদুনি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা লোক সভাগী ওপোজিসন লীদর মালিক অর্জুন খার্গেনা হায়খি, ট্রিপল টলাক্কী বিলদা অশোয়বা কয়ামরুম য়াওরি। বিল অসিনা ইমুং-মনুং য়েৎনবগী থৌওং ঙাকথোকপগী মহুত্তা হেন্না নুংশিনহন্দনবা মচাক ওইহল্লকপা য়াই।

ট্রিপল টলাক্কী রুল ঙাক্লা চত্তবা মুস্লিম নুপাশিং জেলদা থম্বগা লোয়ননা মেন্তিনেন্সকী শেনফম পীহনবগী ৱাফম অসি থবক ওইনা ওন্থোকপদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লগনি। জেলদা থাজিনখ্রবা নুপা অমনা মশাগী লোয়নবীগা অমুক হঞ্জিন্নরকপা য়াবগী ৱাফম লৈতে।

রাজ্য সভাদা বিল অসি পুখৎলকপা মতমদা কোংগ্রেসনা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা ভোট পীগদ্রা হায়না হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা খার্গেনা চপ চাবা পাউখুম পীখিদে।

পার্লিয়ামেন্টকী অপ্পর হাউসনা মেম্বর মশীং হেন্না লৈরিবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা বিলগী শরুক খরা শেমদোক-শেমজিন তৌনবা ৱাফম পুখৎলকপা য়াই হায়না থাজনরি।

অমরোমদা, লোক সভানা পাস তৌখ্রবা বিল অদু দেমোক্রেটিক ওইবা পান্থে শীজিন্নদুনা এমেন্দ তৌনবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়না ওল ইন্দিয়া মুস্লিম পার্সনেল লো বোর্দ (এ আই এম পি এল বি)না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

লাইনিং লন্থীগা মরী লৈনবা ৱাফমদা খুৎ থিংজিল্লকপা মরম্না বিল অদু য়াবা ঙম্লোই হায়নসু এ আই এম পি এল বিগী স্পোক্সপার্সন মৌলানা খালিল-উর-রহমন সজাদ নোমানিনা ফোঙদোকখিবনি।

ইন্দিয়াদা মুস্লিম নুপীশিংগী অচৌবা মায় পাকপা থৌওং অমা ওইনা লোক সভাদা ট্রিপল টলাকপু মপুং ফানা থিংনবগী বিল অমা ভোইস ভোটতা পাস তৌবা লৈখ্রবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হাউসতা পুথোরকখিবা বিল অদু তোঙান তোঙানবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক ভোইস ভোটতা বিল অদু লোক সভানা পাস তৌখ্রবা মতুংদা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা মুস্লিম নুপীশিংনা অথুম-অহাও য়েন্থোক্তুনা হরাওবা ফোঙদোক্লখি।

ওপোজিসন্না বিল অদু হাউসকী টেবলদা পুথোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি অমদা শিন্নগদবনি হায়না তকশিল্লকখি। রেভল্যুসনরি সোসলিষ্ট পার্টি (আর এস পি)গী মেম্বর এন কে প্রেমচন্দ্রননা বিলগী কোপিশিং লৈবাক মীয়ামদা য়েন্থোল্লগা অপাম-পামদা খঙদোকপা মথৌ তাই হায়না পুখৎলকখিবা ৱাফম অমা রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা ভোইস ভোটতা বিল অসি পাস তৌখিবনি।

গভর্ণমেন্টনা বিল অদু খুদক্তা পাস তৌহৌদবা য়াদে হায়বগী মওংদা অয়ুক্কী মীফম হেক হৌবগা হাউসতা পুথোকখি অমসুং নুংথিলগী মীফমদা খন্নদুনা ভোট লৌনখি। ভোট লৌনরমদাইদা এ আই এম আই এমগী এম পি অসাদউদ্দিন ওৱাইসি অমসুং বি জে দিগী ভারক্রহরি মেহতাবনা ৱাফম খরা শেমদোক শেমজিন তৌনবা হৌদোরকখিবনি।

# রেপ ভীক্টিম অমা পুং ১২ হেন্না লায়েংবীদবদগী য়ানিংদবা ফোঙখ্রে

নোইদা, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী):

মশাগী চহী ৮ শুবদা ঙাইরিবী রেপ ভীক্টিম অমা উত্তর প্রদেশকী গ্রেটর নোইদাদা পুং ১২ হেন্না লায়েংবিখিদবগী মতাংদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা গ্রেটর নোইদাগী জরচা এরিয়াদা লৈবা খুঙ্গং অমদা চহী ৮ শুবদা ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু চহী নৌরিবা নুপামচা অমনা রেপ তৌখি। থৌদোক অদু নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা নুপীমচা অদুনা লন্দ্মাংদা শান্নবা চৎপদা থোকখিবনি।

মরাল লৈরে হায়রিবা মীওই অদুনা অচা-অথক পীগনি হায়না থেম্লগা নুপামচা অদুবু ময়ুমদা পুশিল্লবা মতুংদ রেপ তৌখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, চহী ১২ অমদি মসিগী মখাদা লৈবা নুপীমচাশিং ফম্লানবগী মরাল লৈরবা মীওই পূন্নমক শিবগী চৈরাক পীনবগী মতাংদা মধ্য প্রদেশ এসেমব্লিনা বিল অমা পাস তৌখ্রবনি।

মমাঙদা চীফ মিনিষ্টর শিবরাজ সিংহ চৌহানগী কেবীনেটনা দন্ধ বিধি (মধ্য প্রদেশ সন্সোধান) বিধেয়ক, ২০১৭ কৌবা বিল অসি অয়াবা পীখ্রবা মতুংদা ষ্টেট এসেমব্লিনা মোত অমত্তা ওইনা পাস তৌখিবনি। এসেমব্লিদা পাস তৌখ্রবা বিল অদু সেন্টরদা থারগা প্রসিদেন্টকী অয়াবা লৌরবা মতুংদা লো ওইনা চৎনরগনি।

এন সী আর বিগী রিপোর্টতা লৈবাক অসিগী ওইনা রেপ কেস খ্বাইদগী য়াম্না থোকপা মফম মধ্য প্রদেশনা ওইরে হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা লো অমা শেম্নবা থৌরাং লৌখৎলকখি।

বিল অদুগী মতুং ইন্না মশাগী চহী ১৮ শুদ্রিবী নুপীমচা রেপ তৌবদা চেন্নবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক পীবা নৎত্রগা চহী ১৪ জেলদা থবক শুহন্দুনা থম্বা নৎত্রগা শিদ্রিফাওবা জেলদা থমগদবনি হায়রি।